লম্লোং ফিদরগী মৈ থিংগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ ঃ অরিবা কন্দক্টরশিং শীন্দোক্কদবা মরম ওইরগা ১১ কে ভি লম্লোং ফিদরগী টিন্সিদ রোদ রোমদা নভেম্বর ২,৩ অমসুং ৬তা অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা মৈ থিংগনি। মসিনা মরম ওইরগা খুরাই নিংথৌবুং, মোংরাংকম্পু, টোপ অৱাং লৈকাই, তখেলনচিংবা এরিয়াদা হায়রিবা মতম অমসুং পুংফম অসিদা মৈ ফঙলোই।

আই পি আর দে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ ঃ মমাঙ চহীশিংদা পাঙথোক্পগুম হন্দক ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ৬৯শুবা আই পি আর (ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন) দে হয়েং নভেম্বর ১ য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ তাবদা দিপার্টমেন্ট অসিগী কমপ্লেক্স মোংরাইখোমদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

আর পি এফকা মরী লৈনদে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ ঃ ককচিং চুম্মাং লৈকাই বস পার্কিং ময়াদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ককচিং পুলিসকী অপুনবা টিম অমনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ফারে হায়খিবা মোংরাইথেম রাজকুমার (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা মঙ্গীজাও ককচিং ৱাইরি সাবল লৈকাই লৈশাংথেম পরেং হায়রিবা মীওই অসি আর পি এফ অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ পি এল এগা করিগুম্বা মরী অমত্তদা লৈনদে হায়না আইননা থিংখ্রবা লূপ অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী বঙ্কিমনা থাদোরকপা চেরোলনা শেংদোরক্লি।

ফিল্মগী থৌমী অনী অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ ঃ ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চৎনা কাংলোন ঙাক্লা চৎতবগীদমক ফিল্মগী থৌমী অনী অথিংবা থমখ্রে। ফোরমগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসন রাকেস নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অথিংবা থম্লবা থৌমী অনী অদুদি খুন্দোংবম অজিৎ এক্টর (হঙ্গামরু পোকখাইবী) অপোকপা কে ঐচ থম্বৌ কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপাল অমদি নিংথেমপোকপা ফিল্ম প্রদক্সনগী প্রদ্যুসর প্রিয়োব্রতা মাইরেম্বম মোইরাং মাইরেম্বম লৈকাইনি।

অথিংবা অসি মখোয় মশা মশানা ফোরমগা পুন্না ৱাখল তামিন্নদ্রিবা ফাওবা লৈগনি হায়রি।

খন্ন–নৈনগদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ ঃ ইন্সটিট্যুট ওফ বাইওরিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (আই বি এস দি) শীন্দুনা রিছোর্স এন্দ এদুকেস্নেল প্রাইয়োরিটিজ ফোর ট্রান্সফোর্মিং নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া হায়বা হিরমদা রাউন্দ টেবল দিসকসন নভেম্বর ২ শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা তকয়েলপাৎতা লৈবা আই বি এস দি কেম্পসতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

নম্বর ফোর শীজিন্নরম্বা মীওই ২ লেৱাগী মেম্বরশিংনা ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমদিং এদুকেটেদ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন (লেৱা)না দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা শঙ্গাইয়ুম্ফম অমসুং লমদিং তাইনফমদগী নম্বর ফোর কাপ্পা অমসুং চীংবা মীওই অনী লেৱাগী মেম্বরশিংনা ফারে।

লেৱাগী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরীনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ফারবশিং অদুদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খ্বারোক তাঙ্খুলদগী অশাং কৈশিং (২৪) অপোকপা হোনরৈ কৈশিং অমসুং থোৎচান চিংফুই চহী (২২) অপোকপা তামশৈ কৈশিংনি হায়বা খঙলে।

শঙ্গাইয়ুম্ফম নুংফৌ এরিয়াদা ফোঙনা মখল কয়াগী দ্রগ য়োল্লিবা অসিদা লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চংবীদুনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংগী পুন্সি কনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা লেৱানা এরিয়া অসিদা মখল কয়াগী ময়াই কাবা নিষা অমসুং দ্রগ য়োনবা অমসুং লান্না শীজিন্নবগী মায়োক্তা মতম চুপ্পদা লেপখিগনি অমসুং মখা তাবা খোঙজং কয়াসু লেপ্তনা চঙশিনখিগনি হায়রি।

[illegible]

[illegible]

জে এ দি এসনা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে

জিরিবাম, ওক্টোবর ৩১ ঃ জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা ঙরাং মল্টি য়ুটিলিটি কমপ্লেক্সতা মীয়ামগী ইহুল খঙনা অমদি ট্রান্সপরেন্সি লৈনা লোটরি পাঙথোকখিবদা জিরি এরিয়া দিভলপমেন্ট সোসাইটি (জি এ দি এস)কী মায়কৈদগী হরাওবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মতুং তাবদসু থম্মোয় শেংনা তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

সোসাইটি অসিগী প্রসিদেন্ট রতন কোঞ্জেংবম অমদি সেক্রেটরী রতন থৌদামনা পুন্না সহি তৌদুনা থাদোরকপনা হায়, লোটরি অদু এস শান্তি দেবী, এম রাজেন সিংহ অমদি এস ৱাঙ্গোইসনানা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখিবনি। টেম্পোরেরি সেদকী দুকান ৮গী লোটরি তৌদুনা মীয়ামদা শীন্নরক্লগনি হায়বগী থাজবা থল্লদুনা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকা চয়েৎনবা লৈরিবা অসিসু লোইশিন্নবা পাংবা য়াবা মতেং পাঙগনি হায়রি।

মণিপুরী খুন্নাইদা নিষাগী চৈথেং হায়বসিদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ ঃ নোংচুপ ইম্ফাল মৈরা পায়বী অপুনবা লূপ (নিম্পাল) অমসুং খাবম বমদিয়ার অপুনবা নুপী লূপনা পুন্না শীন্দুনা মণিপুর খুন্নাইদা নিষাগী চৈথেং হায়বা হিরমদা খন্ন–নৈনবগী মীফম হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা খাবম বমদিয়া পান্থোইবী শঙলেন্দদা পাঙথোকখ্রে।

নিম্পালগী আই পি আর সেক্রেটরী দব্লীয়ু থামেম্মানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, খন্ন–নৈনবা অদু হৌদোকপগী থৌরমদা কোম্ব্রৌজম কেন্দ্রগী এম এল এ ডা. সাপম রঞ্জন সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, নিম্পালগী প্রসিদেন্ট টি ইবেয়াইমা দেবীনা থৌরম মপু অদুগা খাবম বমদিয়ার অপুনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট পি ঐচ থোইথোই দেবী, কোম্ব্রৌজম জি পিগী প্রধান ঐচ মনিসনা সিংহনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

লৈমকোলগী প্রসিদেন্ট এম সি রিতা অমদি য়ু সি এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা রিছোর্স পার্সন ওইনা নিষানা খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদা নীংথিনা নৈনখি। খন্ন–নৈনবা অদুগী অরোইবদা ৱারেপ অনীসু লৌখি। মদুদা খাবম বমদিয়ারনা কোনবা মফমশিংদা য়ু য়োনবা, থকপা অমদি নিষা মখল অমত্তা শীজিন্নবা খুদক্তগী পুমথিং থিংলে হায়বা য়াওরি। ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা মসিগী মতাংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হায়নসু য়ান্নখি হায়রি।

তাওবুংখোক্তা নিংথৌজম শাগৈ লৈতে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ ঃ ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সি এরিয়াদগী হৌখিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা দ্রগ শীজিন্নবা, য়োনবা নুপী য়াওনা মীওই ৫৯ ফারগা রিহেবিলিটেসন সেন্টরনা থমজিনখ্রে হায়না ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সিনা থোকখিবা চেরোলদা য়াওখিবা নিংথৌজম জিতেন (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা তাওবুংখোক কোইজম লৈকাই হায়রিবসি মশক খঙদে। লোয়ননা তাওবুংখোক হায়রিবা লৈকাই অসিদা নিংথৌজম শাগৈ লৈতে, য়ুন্নাক অমদি মীওই অসি লৈতে হায়রি।

তাওবুংখোক ময়াই লৈকাই ৱুমেন দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী এল ইবেচা দেবী, টি পি ৱাই পি এগী জেনরেল সেক্রেটরী এল কিরন কুমার সিংহ, ইপা লোয়ালাকপা ইমা নুংথেললৈমা তাওবুংখোক অৱাং–ময়াই লৈকাই হরাওবা কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ঙাসেপ্পম নিলকান্তা খুমন অমদি নিষাবন্দ, তাওবুংখোক অৱাং লৈকাইগী সেক্রেটরী কে শান্তি দেবীনা পুন্না সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, পুলিসনা ফারগা রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থমজিনখ্রে হায়বা অদুদা য়াওখিবা নিংথৌজম জিতেনগী অশেংবা মরী মখোঙ ওথোরিটিনা থিদোকপীদুনা মীয়ামদা খঙহনবীয়ু তাওবুংখোক্তদি নিংথৌজম শাগৈ অমদি জিতেন কৌবা মীওই লৈতে হায়রক্লি।

নেসনেল এচিভমেন্ট সর্ভেগী ৱার্ক্সোপ লোইশিনখ্রে

ককচিং, ওক্টোবর ৩১ ঃ মণিপুর সরকারগী ষ্টেট কাউন্সিল ওফ এদুকেস্নেল রিছার্স এন্দ ট্রেনিং (এস সি ই আর টি)গী মখাদা ষ্টেট কোওর্দিনেটর এম মিনাকুমারীনা লুচিংদুনা দাইট ককচিংগী প্রিন্সিপাল দব্লীয়ু পুইনবতি দেবীনা দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর ওইদুনা তাঙ্কক অহুম থোক্লা চথরকখিবা নেসলেন এচিভমেন্ট সর্ভেগা মরী লৈননা ফিল্ড ইনভেষ্টিগেটরশিংগী ট্রেনিং কম ৱার্ক্সোপ ঙসি লোইশিনখ্রে।

ৱার্ক্সোপ অদুদা দাইট ককচিং, স্লোপলেন্দ অমদি আই আর ই ৱাংজিংদগী লাকপা ট্রেনি ৩০০ হেনবা শরুক য়াখি। অদুগা এসিষ্টেন্ট দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর এল বিমোলিনি দেবী অমদি এন সরিতা দেবী, টি বিশ্বালাতা দেবী অমসুং এল বিরেন অসিনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ফিল্ড ইনভেষ্টিগেটরশিংনা লৌগদবা মরু ওইবা থৌদাংগী মতাংদা নীংথিনা নৈনখি।

দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর অমদি দাইট ককচিংগী প্রন্সিপাল দব্লীয়ু পুইনবতি দেবীনা হায়, লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল এচিভমেন্ট সর্ভে অসি সরকার অমসুং এদেদ স্কুলশিংদা ক্লাস ৩, ৫ অমসুং ৮ তম্লিবা মহৈরোইশিংগী লার্নিং আউটকম হেনগৎহন্নবা, হৌজিক্কী এদুকেসন সিষ্টিম অসিগী জেনরেল হেল্থ চেক তৌনবগী লৌখৎলকপনি। মসিগীদমক ফিল্ড ইনভেষ্টিগেটরশিংনা মশা মশাগী থৌদাং নিয়ম চুম্না পাঙথোক্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ট্রেনিং কম ৱার্ক্সোপ অদু মপুং ফানা পাঙথোকপদা শরুক য়াখিবা রিছোর্স পার্সনশিং, ট্রেনিশিং অমদি ষ্টাফ পুম্নমকপুসু মহাক্লা থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

পি আই বিনা শীন্দুনা রুরেল মেদিয়া ৱার্ক্সোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ ঃ প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি আই বি) ইম্ফালনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা রুরেল মেদিয়া ৱার্ক্সোপ ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্ক্সোপ অদু হৌদোকপগী থৌরমদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার ইম্ফাল ইষ্ট টি ঐচ চিত্রা দেবীনা অথোইবা মীথুংলেন, আই এস টি ভি ন্যুজগী এডিটর ইন চীফ ব্রোজেন্দ্রো নিঙোম্বনা থৌরম মপু অদুগা অইবা মুতুম ওপেন্দ্রোনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

দিপ্যুতি কম্মিস্নার ইম্ফাল ইষ্ট টি ঐচ চিত্রা দেবীনা হায়, ভারত সরকারগী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামশিং অসি মেদিয়া পার্সনশিংনা নীংথিনা অমদি মুন্না খঙলবদি তোঙান–তোঙানবা লমদা মীয়াম্বু লান্না লমজিন্নবা হোৎনবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

চাওখৎলক্লিবা লৈবাক নৎত্রগা ষ্টেট অমদা মেদিয়াগী মরু ওইবা অদু শীংথারদুনা সহর অমসুং খুঙ্গংদা লৈবা মীয়ামগী নাকোং য়ৌহনবদা মেদিয়ানা খুৎলায় অমা ওইরিবনি হায়বগী ৱাফম থল্লি।

ৱার্ক্সোপ অদুদা মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস–দিভলপমেন্ট ইন্সটিট্যুট ইম্ফালগী দিপ্যুতি দাইরেক্টর ইন চার্জ দি মিত্রা, মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী সেনিয়ার মেনেজর ওইরম্বা কে ঐচ য়াইস্কুল সিংহ, কম্মিস্নার সেন্ট্রেল (জি এস টি) গাইগোংদিন পানমৈ, মণিপুর সরকারগী আয়ুস দিপার্টমেন্টকী এদিস্নেল দাইরেক্টর ৱাই লুখোই, ইম্পেক টি ভি ন্যুজগী এডিটর য়ুম্নাম রুপচন্দ্রনচিংবা কয়ানা তোঙান–তোঙানবা হিরমদা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি।

প্রধান মন্ত্রি মুদ্রা যোজনাগী মতাংদা মণিপুর রুরেল বেঙ্কগী সেনিয়ার মেনেজর ওইরম্বা ৱাই য়াইস্কুলনা হায়, স্কিম অসি ২০১৫তা হৌদোকখিবনি। মসিগী পান্দমদি রিমোট এরিয়া নৎত্রগা বেঙ্কিং এরিয়াগী ৱাংমদা লৈবা অপীকপা ইন্টরপ্রেনিয়রশিংদা শেলগী মতেং পাংনবা হোৎনবনি। স্কিম অসিগী মখাদা মখল অহুমগী লোন ফংগনি। লোনশিং অদুদি সিসু স্কিম, কিসোর স্কিম অমসুং টরুন স্কিমনি।

সিসু স্কিমনা অহৌবা ওইনা কেটেগোরি অসিগী মখাদা লুপা লিশিং ৫০দগী লোল ফংগনি। মসি চহী ৫গী মনুংদা থাগী ওইনা চাদ ১দদি শেন্দোইদা শীংগদবনি। মখা তানা কিসোর স্কিমগী লুপা লিশিং ৫০দগী লাক্ষ ৫ ফাওবা ফংগনি। অদুগা টরুনগী মখাদা লুপা লাক্ষ ৫দগী ১০ ফাওবা ফংগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

এ আর অমসুং সি আর পি এফনা শীন্দুনা রন ফোর য়ুনিটি দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ ঃ আই জি এ আর (সাউথ) অমসুং আই জি সি আর পি এফ (মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ)গী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলস অমসুং সি আর পি এফনা শীন্দুনা লৈবাক্কী অতে মফমদা পাঙথোকপগুম ঙসি ইতিহাসিক ওইরবা কংলাদা রন ফোর য়ুনিটি দে পাঙথোকখ্রে।

আইরন মেন ওফ ইন্দিয়া হায়রগা খঙনবা লৈবাক অসিগী নীংতম অন্দোলনদা চাওনা থৌদাং লৌখিবা অমদি নীংতম্বা ফংলবা মতুং নীংথৌ পানবা লৈবাক ১০০গী মথক্তা খোমজিন্দুনা য়ুনাইটেদ ইন্দিপেন্দেন্ট ইন্দিয়া শেম্বদা মাংজিল থাখিবা লুচিংবা সরদার ভল্লবাই পটেলগী মপোক কুমওন নীংশিংদুনা পাঙথোকপা রাষ্ট্রিয়া একাটা দিবসকা মরী লৈননা য়ুনিটি রন অসি পাঙথোকপনি।

সি আর পি এফ, অসাম রাইফলস, সৈনিক স্কুল কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়া, মেরি কোম বোক্সিং একাদেমি, সরিতা দেবী বোক্সিং একাদেমি অমসুং তোঙান–তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিংগী মহৈরোইশিং য়াওনা মীওই ৬০০ হেনবনা শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবা পুম্নমক্তা সি আর পি এফ মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরগী আই জি পি বিক্রম সহিলনা শরুক য়াখিবা পুম্নমকপু লৈবাক অসিগী য়ুনিটি, ইন্টিগ্রিটি চেংশিলহন্নবা অমসুং সরদার পটেলগী অশানবা মীৎয়েংদা অপুনবা নেসন অমা ওইনবা পুন্না ৱাশক লৌখি। শরুক্লাইরবা ফুটবোল্লর অমসুং আর্জুন এৱার্দি কুমারী ওইনাম বেম্বেম দেবীসু শরুক য়াখি। কংলা উত্রাদগী কিলোমিটর ৩ রোম সি আর পি এফ গ্রুপ সেন্টর লাংজিং ফাওবা চেনখি। মখা তানা কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াসু পাঙথোকখি।

চহী নৌরিবী নুপী মচা অমা ইজ্জৎ মাংহনবিখি হায়বগা মরী লৈননা এম এস সি দব্লীয়ুনা স্পোট ইনক্বারি তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ ঃ চহী ১৩ খক্তা ঙাইরিবা নুপী মচা অমা ইজ্জৎ মাংহনবিখি হায়বগা মরী লৈননা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেন (এম এস সি দব্লীয়ু)গী টিম অমনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাৎশোই পার্ট–৩দা লৈবা থোঙাম প্রেমজিৎ সিংহ (৪০)গী য়ুমদা চৎতুনা স্পোট ইনক্বারি তৌখ্রে।

কম্মিসন অসিগী ওফিস এসিষ্টেন্ট (ও এ) কে ঐচ সোমোরেন্দ্রো সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, স্পোট ইনক্বারি অদুদা কম্মিসনগী মেম্বরশিং সোইবম ওংবী নেলিমা দেবী, ডা. ফরিদা সাহ অমসুং ষ্টাফ মৈকম কিরন সিংহ য়াওখি।

টিম অদুনা ভিক্টিম ওইরবী নুপী মচা অদুগী অপোকপা থোঙাম প্রেমজিৎ সিংহ অমসুং লমদম অদুগী মৈরা পায়বীশিংগা উন্নখি। প্রেমজিৎনা পাউদম্লকখিবদি মহাক শীন্মী অমনি অমসুং মহাক্কী লোইনবীনা ইচম চম্বা য়ুম্বুরেম্বী অমনি। নুমিৎ অদুদা য়ুমদা কনা অমত্তা লৈখিদে। মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মথন্তা লৈবা চহী নৌরিবা নুপী মচা অদু য়ুমথংননা লৈবা চোংথাম অনন্দ সিংহ (৩৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা সি ঐচ য়াইমনা ইজ্জৎ মাংহনবিখিবনি অমসুং থৌদোক অদু কনাগুম্বা অমত্তদা হায়দোকপা য়ারোই হায়নসু কিহনখি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱুমেন পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমসু ফাইল তৌখ্রে। মদুদা কম্মিসনা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু অপোকপা কিরনজিৎনা ফোঙদোকখি হায়রি।

কম্মিসনগী টিম অদুনা অচুম্বা ফংন্নবগীদমক পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতগী মতেং ফংনবা হোৎনবদসু মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীবগা লোয়ননা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদগী ষ্টেটস রিপোর্টসু পীরক্নবা খঙহল্লগনি হায়রি।

ALWAYS BEST
Dr. HELENA EYE CARE
ADDRESS : NORTH AOC, BIG CHILL BUILDING
IMPHAL, MANIPUR
CALL : 0385-2421792 / 9774065535.
Email : dochelena11@yahoo.com
SL/B/August'17

ঙসিগী রাষি ফল (১–১১–২০১৭)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ অশোক অপন থেংনবা, কোক শাবা, মীনা য়েংশিনবা ওই। পাঙথোক্লিংবা পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা ফত্তে। চরাংনগনি। নক্ষত্র ১, ২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

বৃষঃ চরক চহিং নাইবা, মরক্তা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। অচৌবনা চানবীরগনি। শেল ফংবা চৎপা তৌরগনি। ৱাখল লাংগনি। নক্ষত্র ৩ , ৪ চাংদা লৈ, ৫ ফগনি।

মিথুনঃ খুদোংচাবা থেংনবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতমনি। মীনদি য়েংশিল্লি। লৈমিন্নবশিংদগী কান্নবদি ফংলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ চাংদা লৈ, ৭ ফবনি।

কর্কটঃ চাওখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা,লম চৎপা কান্নবা ফংবা মতমনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭, ৮, ৯ অফবনি।

সিংহঃ মুক্নবা, শাওনবা মতমনি, শেল চৎপা, ৱাখল লাংবা ওই। ইথক থোংবশিংনা চানবীরগনি। খরদি চরাংনগনি। নক্ষত্র ১০ ফগনি, ১১ ফত্তে, ১২ ফগনি।

কন্যাঃ খন্নবা, শাওনবা মতমনি, শেল চৎপা মতমনি। মৎ খেন্নরগনি। হৈশিংলবদি পাঙথোক্লিংবা পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ ফগনি।

তুলাঃ চাওখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা মতমনি। হোৎনজমন খরদি কান্নরগনি। লাংখিগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ ফগনি।

বৃশ্চিকঃ চাওখৎপা, হোৎনবা য়াবা, মীনা নুংশিবিবা মতমনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নরগনি, ইমুংদা খরা লাংগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭, ১৮ চাংদা লৈ।

ধনুঃ ৱাখল হেন্না লাংবা, অমা নৎত্রগা অমা খল্লবা ওই। হোৎনবদি য়াগনি। অশাওবা লোয়নরগনি। চরাংনবা ওই। নক্ষত্র ১৯ ফগনি, ২০ ফত্তে, ২১ চাংদা লৈ।

মকরঃ চরক চহিং নাইবা, অপনবা পীবা মতমনি। চেকশিল্লবদি অরুবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা ফত্তে। মৎ খেন্নে। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২, ২৩ চাংদা লৈ।

কুম্ভঃ চাওখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম তু চৎপা কান্নবা, মরুপ মফম ফগৎপা, শান্তি লৈবা ওই। নক্ষত্র ২৩, ২৪, ২৫ অফবনি।

মীনঃ অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা, মরুপ মফম ফগৎপা মতমনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৫, ২৬, ২৭ অফবনি।


মখোয়দু য়োল্লগা ফংবা শেলদুনা নুংঙাইথোক্লম্মী।।
হুম, মতুংদদি মচা–মশুদি কান্নদ্রে, ষণগুম্বা, শগোলগুম্বনা ফরনিবো।।

নোংমদি মানা লম্বীদা লাকপদা ।
এ.. মাম্মনিনে, করি ৱারীনো
মখোয়না শারিসিনা।